# হিরো মেন্স এসিয়া কপঃ সুপর ৪ এস মেটচতা য়ুম্বু ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু লাকচনা পাঙ্গল ৪-১দা থোইবা ঙমখ্রে



**রাজগির, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী):**

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা বিহারগী রাজগিরদা হৌজিক চত্থরিবা হিরো মেন্স এসিয়া কপকী সুপর ৪ এস গেমদা ইন্দিয়ানা ঙরাং মালেসিয়াগা শান্নখিবা মেটচ অমদা মালেসিয়াবু লাকচনা পাঙ্গল ৪-১দা থোইবা ঙমখ্রে। সুপর ৪ এস গেম অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা হয়েং নুমিদাং পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা ইন্দিয়ানা চাইনাগা লম্বা তৌনরগনি।

রাজগির হোক্কি ষ্টেদিয়মদা ঙরাং নুমিদাং ইন্দিয়া অমসুং মালেসিয়াগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা খরা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা অনীশুবা মিনটতা মালেসিয়াগী সাফিক হসননা অহানবা পাঙ্গল চনবা ঙমখিবগা লোয়নননা অহানবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা পাঙ্গল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুদা লাকচনা শান্নবা ঙল্লিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা পাঙ্গল চনবা য়াবা কাউন্টর এটেকশিং চত্থদুনা শান্নবা হৌরকখি। মেটচ অদুগী ১৭ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মনপ্রিট সিংহনা ইক্বেলাইজর ওইরিবা পাঙ্গল অদু চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা ১৯ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী সুগজিট সিংহনা টিমগী অনীশুবা পাঙ্গল চনবা ঙমখি। মালেসিয়াগী মায়কৈদগী পাঙ্গল চনবা ঙম্নবা অকনবা মওংদা হোৎনখি। অদুবু হৈশিংলবা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা পাঙ্গল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংহনখিদে।

অমরোমদা, মেটচ অদুগী ২৪ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী সিলানন্দ লক্রানা মখা তানা পাঙ্গল অমা চনবা ঙমখিবগা লোয়নননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা পাঙ্গল ৩-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী ভিবেক সাগর প্রসাদনা ২৮ শুবা মিনটতা মহাক্কীনা অহানবা অমদি টিমগীনা মরিশুবা পাঙ্গল চনবা ঙমখি। মালেসিয়াগী মায়কৈদগী মখোয়গী ময়োক্তা চনশিনখিবা পাঙ্গলশিং হন্দোকপা ঙম্নবা কাউন্টর এটেকশিং চত্থদুনা শান্নবা হৌরকখি। মখোয়না কাউন্টর এটেকশিং চত্থদুনা শান্নরবসু অহুমশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবা পাঙ্গল অমত্তা হন্দাকপা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ানা পাঙ্গল ৪-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

মরিশুবা অমদি অরোয়বা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ওইনসু মালেসিয়াগী মায়কৈদগী অকনবা এটেকশিং চত্থদুনা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু ইন্দিয়াগী হৈশিংলবা দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী এটেকশিং অদু অরেম্বদা তাহনখি। মেটচ অদুগী লোইরমদাইদা মালেসিয়াগী মায়কৈদগী পাঙ্গল চনবা য়াবা এটেকশিং চত্থদুনা পাঙ্গল হন্দোক্নবা অকনবা মওংদা হোৎনখি। অদুবু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা মালেসিয়াগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঙ্গলশিং চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা পাঙ্গল ৪-১দা মায় পাকখিবনি।

# ওল এজ গ্রুপ এরোবিক জিমনাষ্টিক্স নেশনল চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস):**

কেরলাগী কোচিদা লৈবা ইমাকুল্লমদা থা অসিগী ৮দগী হৌরগা ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ওল এজ গ্রুপ এরোবিক জিমনাষ্টিক্স নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং ঙসি কেরলাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।



ঙসি ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ এয়রপোর্টতগী খোঙশানখিবা টিম অদুদা শান্নরোয় ১০ অমদি ওফিসল ৪ য়াওরগা পুন্না মীওই ১৪না নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মণিপুরগী মহুৎ শীল্লুগনি।

মণিপুরগী টিম অদুদা সিনিয়র কেটাগরিগী শান্নরোয় ৪, জুনিয়র কেটাগরিগী শান্নরোয় অহুম লোয়নননা নেশনল দিভেলপমেন্ট কেটাগরিগী শান্নরোয় ৩ য়াওরি। অদুগা টিম ওফিসলশিং ওইনা পিঙ্কি চনু, পি অখেলো, ৰাই রঞ্জন অমসুং ৰাই লনলৈমা য়াওরি।

# জে এন হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০২৫ পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস):**

দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা থা অসিগী ১০দগী ১২ ফাওবা খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টেদিয়মদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল স্কুল জে এন হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০২৫ পাঙথোক্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি ৱাই এ এস ও ঐচ হেমজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, হোক্কি টুর্নামেন্ট অদুদা চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমদি নুপীমচা কাঙলুপ, চহী ১৫ মখাদা নুপামচা কাঙলুপকী ওইনা অথোই অহেন তান্নগনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা স্কুল স্কুলশিংনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ফোর্ম লৌবা হৌবা য়ারগনি। লোয়নননা মপুং ফানা মেনশিল্লবা ফোর্ম থাজিল্লকপগী অরোয়বা মতমনা থা অসিগী ৮দা ওইগনি অমদি দি ৱাই এ এস ও ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওফিসতা ফোর্ম অদু থাজিল্লক্কদবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংনা মশা মশাগী অধার কার্দ, ইন্দিয়ান পাসপোর্ট অমদি মরী লৈনবা চে-চাংশিংসু ফোর্ম থাজিনবা লাকপা মতমদা লোয়নরক্কদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি। অন্দর ১৫গী ওইনা শান্নরোয় অদু কুম্মজা ২০১০গী নবেম্বর ১ নত্রগা মমাঙদা পোকপা ওইগদবনি। অদুগা অন্দর ১৭কীনা কুম্মজা ২০০৮গী নবেম্বর ১ নত্রগা মমাঙদা পোকপা ওইগদবনি।

# টি ঐচ এ এস সী ও খা খুনৌ অমসুং ফুবালা এফ সী মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস):**

টিন মেমোরিএল ত্রোফি (থোকচোম ইবোপিশক নিংথৌরেল)না শীন্দুনা চত্থরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল টিন মেমোরিএল ত্রোফি ৯-এ-সাইদ নোক আউট টুর্নামেন্টকি ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা টি ঐচ এ এস সী ও খা খুনৌনা টি ৱাই দল্লিয়ু সী থম্ন্াপোকপী অদুগা ফুবলা এফ সীনা এ টি য়ুনিট-২ য়াইরিপোক মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা টি ঐচ এ এস সী ও অমসুং টি ৱাই সীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টি ঐচ এ এস সী ওগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা মেটচ অদুগী ১৩ অমসুং ১৪ শুবা মিনটতা টি ঐচ এ এস সী ওগী ধনরাজনা থংন-থংননা পাঙ্গল অনী চনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নখিবা অদুগী ১৭ শুবা মিনটতা টি ঐচ এ এস সী ওগী তোম জোসেফনা মখোয়গী টিমগী অহুমশুবা পাঙ্গল চনবা ঙমখি। পি ৱাই দল্লিয়ু সীগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঙ্গলশিং অদু মখোয়গী হৈশিংবশিং উথোক্তুনা শান্নরবসু বোল পায়বগী চাং নেমখিবনা মরম ওইরগা পাঙ্গল চনবা য়াবগী খুদোংচাবশিং লৌবা ঙমখিদে।

অমরোমদা, মেটচ অদুগী ৪৩, ৪৫ অমসুং ৪৯ শুবা মিনটতা পি ঐচ এ এস সী ওগী শান্নরোয় জেআন, সুরজকান্তা অমদি অভিনাসনা মথংশিংনা পাঙ্গল অমমম চনবা ঙমখি। অদুবু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা টি ৱাই দল্লিয়ু সীগী মায়কৈদগী পাঙ্গল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু টি ঐচ এ এস সী ও খা খুনৌনা লাকচনা পাঙ্গল ৬-০দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, ঙসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ফুবলা এফ সী অমসুং এ টি য়ুনিট-২ য়াইরিপোক্কী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়নননা মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা পাঙ্গল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখি। মদুগী মতুং নাকল অনীগী মরক্তা পেনালটি কাওনখিবদা এ টি য়ুনিট-২না পাঙ্গল ৪ চনবা ঙমখি অদুগা ফুবলা এফ সীনা পাঙ্গল ৫ চন্দুনা মেটচ অদু মায় পাকখিবনি।











## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1584**

GM Victor Mikhalevski (2392) - FM Javohir Bozorov (2247)
Freestyle Friday Chess.com (6), 2025.06.27

1.Nf3 b5 2.b3 Nf6 3.g3 g6 4.Bg2 Bg7 5.O-O O-O 6.d3 c5 7.e4 Nc6 8.Ne3 Rd8 9.Nd5 Nxd5 10.Bxg7 Kxg7 11.exd5 Nd4 12.Re1 Nxf3+ 13.Bxf3 e6 14.Qb2+ Kg8 15.c4 d6 16.dxe6 Bxf3 17.exf7+ Kxf7 18. ...

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1583 Solution :**

**17. Qd5+** *The white queen deflects Black's knight away from protecting the square g4.* **Nxd5 18.Bg4+** *Intermediate check* **18...Ke5 19. Rf5+** *The white rook skewers Black's king and knight. Intermediate check* **19...Kd4**
*19...Ke6 20.exd5#*
**20. Rxd5+ Kc4 21.Be2+ Kb4 22.a3#** *David and Goliath mate* **1-0**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com